ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

লৈখিদ্রবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর টিকেন্দ্রগী মঙানি লৈহুন নুমিৎতা বি জে পি লমলাই মন্দলনা হৈকৎ লৈকৎ তমখিবা

দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা লৌমীশিংদা য়ুরিয়া অহোংবা মমলদা ফংহনখ্রে
☛ লামায় ২

ভেন্টিলেটর লৈরবসু শীজিন্নগদবা ষ্টাফ মতিক চানা লৈতবদগী কাঙ্খাথাঙ তাদুনা লৈরে
☛ লামায় ৩

মণিপুরী সাহিত্যগী অমম্বা নুমিৎ অমা ওইহৌরে: টি ব্রাই এস কে
☛ লামায় ৫

শন্দংশেনবা মরিং ভিলেজ ওথোরিটিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি
☛ লামায় ৬

চুড়াচান্দপুর অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসরশিংদা মিনিষ্টর বুংজাগিন বালতেনা পীরকখিবা সর্জিকেল গ্লোবশিং খুৎশিন্নখিবা

Vol. 45, Issue No. 054 | শগোলশেন, কালেনগী ৮নী পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, May 20, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

ওজাশিংনা নোংমগী তোলোপ দোনেট তৌগদৌরি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :
হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী কেসশিং হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলদুনা তমথীরবা লায়না অসিবু লাম্লেংননবগীদমক মতেং পাংবা ওইনা এদ্যুকেসন (স্কুলস) দিরেক্টোরেটকী মখাদা লৈবা ওজাশিংনা চৎলিবা থা অসিগী তোলোপ্তুগী নোংমগী তোলোপকী শেনফমশিং চীফ মিনিষ্টর কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা দোনেসন তৌরগনি হায়না কাউন্সিল ওফ টিচরস এসোসিএসন (কোটা) গী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিমসকী ও পি দি থিংজিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :
রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট (ইন-চার্জ) প্রোফেসর ঐচ প্রিয়োসখিনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯গী কেসশিং হেনগৎলকপদগী মসিগী পেসেন্টশিং লায়েংনবা অমসুং কর্ফ্যু থল্লকখিবনা মরম ওইরদুনা লায়েংশঙ অসিগী ও পি দি সর্ভিসশিং মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা হয়েংদগী থিংজিল্লগনি হায়রি। অদুম ওইনমক ইমর্জেন্সি সর্জরি, সী এস অমসুং রেদিএসন ওনকোলোজিগী কেসশিংদি মহৌশাগুম পাঙথোকখিগনি হায়রি।

রাজ মেদিসিটিবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :
শক্লাইরবা থিএটর পর্সনেলিটি রতন থিয়ামবু লায়েংবদগী ঙরাং কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইরকখিবদা চোকথবা লৈতনা শিংথানীংঙাই ওইনা ত্রিটমেন্ট পীখিবা রাজ মেদিসিটিগী ডক্তর অমসুং নর্সশিংবু কোরস রেপরটোরি থিএটরগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরকখ্রে।

ফ্লাইটতা লাকখিবা ১ পোজিটিভ ওইরম্লে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :
ঙরাং ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবা পেসেঞ্জরশিংগী মনুংদগী মীওই ১০ আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌবদা মীওই ১ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্লে হায়রি।

মীপূম খুদিংমক্লা চেকশিন থৌরাংশিং ঙাক্লা চৎলবদি শিবগী চাং হন্থরক্কনি

পূন্না লৈমিন্নবগী থৌওং থাদোকপা তঙাইফদ্রে | শ্বর হোনবা ৱারবা মতমদতা পুখৎলকই | তোৎশিন্নদুনা লৈরুরে, ভেক্সিনেসন লায়থোক্লুরুরে

ডা. এস জুগিন্দ্রো

ডা. কে ঐচ লোকেশ্বর

ডা. কে রাজো

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :
হৌজিক ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী শিবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্লা ঈশা-ঈশামক কোভিদ পোজিটিভ ওইরে খন্দুনা চেকশিন থৌরাং হেক লৌখৎত্রিবা মখে শিবগী চাং অসি হন্থরকপা ৱাগনি হায়না ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টকী কোভিদ-১৯গী হেনগৎলক্লিবা মোর্টেলিটি কেসশিং য়েংশিন্নবা শেমখিবা এক্সপার্ট কম্মিটিগী মেম্বর সিনিয়র দা. এস জুগিন্দ্রো (প্রসিদেন্ট, ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ) না ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশীং হেক কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রিবা ফাওবদি চয়োল ২/৩ ফাওবদি শিবগী চাং অসি হেনগৎলকখিগনি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা পেসেন্ট শিবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিগী খ্বাইদগী চাওবা মরমদি সেকেন্দ ৱেভকী মহীক অসি মপাঙ্গল কনবা শাথিবা মহীক অমা ওইরি। ঐখোয় পুম্নমক্লা মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌদবদগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি ওইরকখিবনি। লোয়নন্না তশেংনা হায়রবদা ষ্টেট অসিদা হেল্থ ফেসিলিটিগী অৱাৎপা কয়া অমসু লৈরি। মাঙজৌননা হেল্থ এক্সপার্টশিংনা কয়ারক হন্না হায়খিবা লৈরে। মদুদি অনাবা মশীংনা হেক য়াম্লিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

মিনিষ্ট্রিগী পাউতাক মতুংইন্না এম জি নরেগাগী ফন্দ য়েন্থোকহনবীনবা হায় কোর্টতা ৱাকৎলক্লে



महात्मा गांधी राष्ट्रीय ग्रामीण रोजगार गारंटी अधिनियम
Mahatma Gandhi National Rural Employment Guarantee Act
100
महात्मा गांधी नरेगा
Mahatma Gandhi NREGA

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :
মার্চ ১৮, ২০২১দা ন্যু দেল্লীগী কৃষি ভবনদা লৈবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভেলপমেন্টগী দিপার্টমেন্ট ওফ রুরেল দিভেলপমেন্টকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি (মহাত্মা গান্ধী নরেগা) সঞ্জয় কুমারনা পীরকখিবা গাইদলাইনশিং অদু চপ চানা থবক্তা ওন্থোক্তুনা এম জি নরেগাগী ফন্দশিং মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমক্তা য়েন্থোকহনবীয়ু হায়না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলক্লে।

ৱাকৎ অসি হৌজিক ইম্ফাল ইষ্টকী ১৪-উচেক্কোন নোংচুপ জিলা পরিষদকী মেম্বর ওইরিবা সেরাম নেকেন (৪৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস মঙ্গি, শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিস্নর অসিগী মায়কৈদগী পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) ওইনা থা অসিগী ১২দা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ন্যু দেল্লীগী ডা. রাজেন্দ্র প্রসাদ রোদকী কৃষি ভবন্দা লৈরিবা মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভেলপমেন্টকী সেক্রেটরি, মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীনা চীফ সেক্রেটরি, কম্মিস্নর (রুরেল দিভেলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ) অমসুং দিরেক্টর (আর দি এন্দ পি আর) নি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পি আই এল নম্বর ২৮ ওফ ২০২১ ওইনা লৌখৎখ্রবা পিটিসন অসিদা পিটিস্নরনা কোর্টতা ফোঙদোরক্লিবনা মার্চ ১৮, ২০২১দা মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভেলপমেন্ট (দিপার্টমেন্ট ওফ রুরেল দিভেলপমেন্ট) কী মায়কৈদগী মসিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরিনা থারকখিবা চেরোল/ওর্দর অদুগী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কম্মিস্নর (আর দি এন্দ পি আর) নিধি কেসরৱানিনা এপ্রিল ২৯, ২০২১দা মণিপুর ষ্টেট রুরেল দিভেলপমেন্ট এজেন্সি (এম এস আর দি এ) না চলাইরিবা এম জি নরেগাগী ষ্টেট এমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি ফন্দগী ফাইনান্সিএল য়র ২০২০-২০২১গী ওইনা ৱেজ মেটরিএল অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্পোনেন্টগীদমক অহানবা ইন্সটোলমেন্টকী লুপা ৪,৮৫,৫০,৭৫,০০০.০০ সেঙ্কসন তৌখি হায়রি।

অদুবু, মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিনা পীরকপা গাইদলাইনশিং থবক্তা ওন্থোক্কদবা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী অমুক্তা থবক্তা ওন্থোকখিদবনিনা এপ্রিল ২৯, ২০২১দা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সেঙ্কসন তৌখিবা এম জি নরেগাগী শেনফমশিং অসি মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমক্তা য়েন্থোকপা মতমদা মার্চ ১৮, ২০২১দা মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী দেপ্যুটি সেক্রেটরিনা পীরকখিবা গাইদলাইন/চৎন-কাঙলোনশিং অদু চপ চানা ঙাক্তুনা থবক্তা ওন্থোকহনবীনবা হায় কোর্টকী মায়কৈদগী মরী লৈনরিবা লৈঙাকসিগী চীফ সেক্রেটরি, কম্মিস্নর অমসুং দিরেক্টর আর দি এন্দ পি আর য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমক্কী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিং/দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটরশিংদা দিরেক্সন পীবিয়ু হায়বসিনি।

মিনিষ্ট্রিনা পীরকখিবা গাইদলাইনশিং ঙাক্তুনা এপ্রিল ২৯, ২০২১দা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সেঙ্কসন তৌখিবা এম জি নরেগাগী দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমক্কী শেনফম অসি মতম চানা য়েন্থোকপা ঙল্লবদি চাদা ১২গী ইন্টরেষ্ট কলহৌবা ঙমগনি। করিগুম্বা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সেঙ্কসন তৌরকখিবা শেনফমশিং অসি অপীবা নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা য়েন্থোকহৌদ্রবদি শেনফমশিং অদুগী চাদা ১২গী ইন্টরেষ্ট হাপকদবনি হায়বা রুল লৈ হায়রি।

মরম অদুনা অকক্লবা...মখা লামায় ৩ কলম ২

পুং ২৪গী মনুংদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না মীওই ২৩ লৈখিদ্রে, লৈখিদবা মীওই ৬৩৫ শুরে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :
মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ ষ্টেট অসিদসু য়ৌশিল্লক্তুনা মার্চ ২৪, ২০২০দগী লোকদাউনগী অথিংবা ফাওবা থমদুনা পেন্দমিক অসিবু মায়োক্লনবা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা সেকেন্দ ৱেভকী চৈথেং অমুক্তসু মায়োক্লরকপগী মনুংদা ঙসিগী ওইনা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না মীওই ২৩গী পুন্সি মাঙহনখিবগা লোয়ননা ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা শিহনখিবা অপুনবা মীশিং ৬৩৫শুরে।

কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ত্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না ঙসিগী ওইনা লৈখিদবা মীওই ২৩ অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টতগী ৬ (মশাগী চহী ৫৬, ৭৫, ৬৫, ৩০ অমসুং ৮৪শুরবা নুপা ৫ অমসুং মশাগী চহী ৮০শুরবী নুপী ১), বিষ্ণুপুরদগী মীওই ৬ (মশাগী চহী ৮৭, ৭২, ৮১শুরবা নুপা ৩ অমসুং চহী ৩৮, ৬৫ অমসুং ৫৫শুরবী নুপী ৩), ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মীওই ৫ (মশাগী চহী ৮৫, ৩১, ৩৫ অমসুং ২৮শুরবা নুপা ৪ অমসুং মশাগী চহী ৫১শুরবী নুপী ১), থৌবালদগী মীওই ২ (মশাগী চহী ৫০ অমসুং ৩৫শুরবা নুপা ২), কক্চীংদগী মীওই ২ (মশাগী চহী ৬০শুরবী নুপী ১ অমসুং চহী ৮২শুরবা নুপা ১), চুড়াচান্দপুরদগী মশাগী চহী ৬২শুরবা নুপা ১, উখ্রুলদগী মশাগী চহী ৩৮শুরবা নুপা ১নি হায়রি।

মীওইশিং অসি মথংশিংনা শিজ হোস্পিটালদা ৪, কোভিদ কেয়র সেন্টর বিষ্ণুপুরদা ৪, জিবন হোস্পিটাল ২, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল চুড়াচান্দপুর ১, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্স ১, জেনিমস ৬ অমসুং রিমসতা ৫ লৈখিদবনি হায়রি।

ঙসিগী ওইনা লৈখিদবা মীওই ২৩ অসি থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবা অপুনবা মীওই মশীং ৬৩৫শুরে।

অমরোমদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা থেংনখিবা অপুনবা পোজিটিভ কেস মশীংনা ৫৮২নি। মসিগী মনুংদা ৫৭০না জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনি। মসিগী মনুংদা নুপা ২৭৫ অমসুং নুপী ২৯৫ য়াওরি। অতোপ্পা মীওই ৭না সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেলশিংনি।

ঙসিগী ওইনা পোজিটিভ কেসশিং অসি থেংনখিবা টেষ্টিং সেন্টরশিংনা রিমসতা ৮৩, জেনিমস ৬০, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৫৯, ইম্ফাল ইষ্ট ৪, মায়াপাকপী ৯, সিএলমেট ১, হিল সাইট ১, আর এম সী...মখা লামায় ৩ কলম ২

এয়রফোর্সকী ফ্লাইটনা ওক্সিজেন প্লান্টকী মচাকশিং পুরকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :
মণিপুরগী কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং লায়েংবদা মেদিকেল ওক্সিজেনগী অৱাৎপা লৈহন্দনবগীদমক লৈঙাক্লা অঙম্বা পাম্বৈশিং হোৎনদুনা লাকপগী মনুং চন্না ঙসি চুড়াচান্দপুর অমসুং থৌবালদা ওক্সিজেন প্লান্টশিং ইন্সটোলেসন তৌনবগীদমক মচাক মথুমশিং অমসুং হোস্পিটালশিংদা য়েন্থোক্লবা ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটর ১০ দেল্লীদগী ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী অখন্নবা ফ্লাইট অমনা ইম্ফালদা পুরকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিএটতগী থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ওক্সিজেন প্লান্টশিংগী ইক্বিপমেন্টশিং অমসুং কন্সেন্ত্রেটরশিং অদুগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

কোভিদ পেসেন্টশিংদা লেম্না হীদাক লাংথকশিং ফংহল্লগনি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :
কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লরক্লিবা অসিগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, সব দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, কোভিদ কেয়র সেন্টরশিংগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টশিং অমসুং কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর অমদি হোম আইসোলেসন তৌরিবশিংগী ইন-চার্জ মেদিকেল ওফিসরশিংনা মখোয়দা লেম্না ফংহল্লিবা হীদাক লাংথকশিং অদু মখোয়গী লায়েংশঙ/কেয়র সেন্টর অমদি হোম আইসোলেসন্দা লৈরিবা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট পুম্নমক্তা লেম্না য়েন্থোক্কদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মেদিকেল এন্দ হেল্থ সর্ভিসেস মণিপুরগী দিরেক্টর ডা. কে রাজোনা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমদা মরী লৈনরিবা মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট অমসুং মেদিকেল ওফিসরশিংদা খঙহনখিবনি। করিগুম্বা কোভিদ পেসেন্টশিংদা লেম্না য়েন্থোক্লবা হীদাক লাংথকশিং অদুদা অৱাৎপা লৈরক্লকসু মদুগী থৌদাং লৌবা ষ্টাফশিংনা হেল্থ সর্ভিসেস দিরেক্টোরেটকী সেন্ত্রেল মেদিকেল ষ্টোরদগী লৌরনবসু খঙহনখি।

অমরোমদা, লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মী শিহনবগী মশীং হেনগৎলক্লিবা অসিগী মতাংদা এগজামিন তৌনবা এক্সপার্ট কম্মিটি অমসু শেমখ্রে। দেপ্যুটি সেক্রেটরি, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়েরনা ঙরাং থোকখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না কম্মিটি অসিগী চেয়রমেননা হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. কে রাজোনা ওইরগা মসিগী মেম্বর ৬না শক্লাইরবা সিনিয়র ডাক্তরশিংবু ওইহনখি।

মীয়াম্না ওক্সিজেন ফংলরোই হায়বগী মীপাইবা পোকপীগনু

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :
মণিপুরদা হৌজক মীয়াম্না কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভ লাকপদা ওক্সিজেন সপ্লাইগা মরী লৈননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ওইবা ৱাফম খরা ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (আই পি আর) গী দিরেক্টরগী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোল অমনা মীয়ামদা থল্লক্লি।

ওক্সিজেনগী মতাংদা লৈঙাক্কী ৱাফম

ওক্সিজেন ফংলরোই হায়বগী মীপাইবা পোকপীগনু হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লাকশিন্নবা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্ট, হোস্পিটাল ওথোরিটিশিং, ডাক্তরশিং, নর্সশিং, পেরামেদিক ষ্টাফশিং অমসুং ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিংনা পুং ২৪ চুপ্পা সর্ভিস তৌরি। নুংতিগী লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা কোভিদ-১৯গী অনাবশিং লায়েংবদা চঙবা ওক্সিজেন সপ্লাই লেপ্তুনা পীনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কন্না হোৎনরি। মীয়াম্না ওক্সিজেন সিলিন্দর/কন্সেন্ত্রেটর দোনেট তৌগনি হায়দুনা চোঙথোকপীরক্লিবা লমদমসিগী মীওইশিংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ৱাফম খরা থল্লক্লি হায়বগা লোয়ননা কনাগুম্বা পুকচেল চাওরবা মীওইশিংনা ওক্সিজেন সিলিন্দর নৎত্রগা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

অঙাং মবুক ইল্লিবী মমাশিংসু কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা য়ারগনি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :
গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়েরগী দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়েরগী সেক্রেটরি রাজেস ভুসননা ঙসি লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী চীফ সেক্রেটরিশিংদা ইরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না অঙাংগী মবুক ইল্লিবী মমা ওইবী পুম্নমকসু কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন তৌবগী রেকমেন্দ তৌরে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা নেসনল এক্সপার্ট গ্রুপ ওন ভেক্সিন এদমিনিষ্ট্রেসন ফোর কোভিদ-১৯ (এন ঈ জি ভি এ সী) না লৈবাক অসিগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী থবক থৌরমশিং লমজিংদুনা লাক্লি হায়বগা লোয়ননা এক্সপার্ট গ্রুপ অসিনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়েরনা অয়াবা পীবগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা রেকমেন্দেসনশিং খঙহল্লক্লি। রেকমেন্দেসনশিং অদুগী মনুংদা য়াওরিবশিংদি কনাগুম্বা মীওই অমবু সারস-২ কোভিদ-১৯না নারে হায়বা লেবোরেটরি টেষ্টকী মতুংইন্না খঙলবদি মহাক্না নারিবা অদু ফ্তাংলক্লবা মতুং ভেক্সিনেসনগী থবক থা ৩ চোন্থহনগদবনি।

এন্টি ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

টাইৱানদগী ডা. শান্তিকুমারনা লুচিংবা মীতৈশিংনা অফবা মখলগী ফেস মাস্ক লিশীং ৩০ হেন্না থারক্কদৌরি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :
ঙসিদগীনা চহী ১১ রোমগী মমাঙ কুমজা ২০০০দগী টাইৱানগী সিটিজেন ওন্দুনা লৈখ্রবা লৈবাক অদুগী ন্যু টাইপৈ সিটিগী টুচেং দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা হুংকুও দেলিন য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্নোলোজিগী ইংলিস দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর ওইরিবা ডা. ঙাংবম শান্তিকুমারনা লুচিংবা টাইৱানদা লৈরিবা মীতৈ মচাশিংনা হৌজিক মণিপুরগী মীয়াম্না কোভিদ-১৯গী শাথীরবা সেকেন্দ ৱেভকী মায়োক্লরক্লিবা চৈথেং অসিদগী খরদং ওইরবসু ঙাকথোকচবা ঙম্নবগীদমক লায়র ৩ পানবা অমসুং এন-৯৫গী ফেস মাস্ক লিশীং ৩০ হেন্না থারক্কদৌরি।

ডা. শান্তিকুমারনা ঙসি পাউচে অসিদা টাইৱানদগী ফোঙদোরকখিবদা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদা ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা লাইচৎ অসিগী ফীভম অসি উরুবা/তারুবদা য়াম্না মীপাইবা অমদি অকিবা পোকপদগী টাইৱানদা লৈরিবা চোঙথাম জয়েন্ত অমদি ইরমদম কংলৈপাক্তগী লাকপা মহৈরোয়শিংগা তানদুনা করি তৌবা য়াই হায়না খন্নবদা অফবা মাস্ককী মথৌ য়াম্না তারে হায়না লৌবদগী টাইৱানদা শাবা মাস্কশিং ওইনা থারসি হায়না ৱারেপ লৌখি হায়রি।

ইন্স্পেক্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ২



অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩৫.৪৮ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৪.৯৪ °C
মণিপুরগী নোংজ্রুগী চাং : ১২.৭৩
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৩

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

HL Poll

Q: Social workersingni haijabasingna chana-thaknaba potlamsinggi mahutta oxygen oina pibibana asengba tengbang oipham thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT
Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Covid patientsing sibagi chang hantharaktribasi makhoibu layengbada asoiba leibadagini haina louba yaroidra?

Yes 83% No 17%

অস! লোইরেহে!

- সে ঐগী মঙতাকসে চাউ, তাদগী লায়নাদো ফরদৌনি।
- ꯁꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯃꯉꯇꯥꯛꯁꯦ ꯆꯥꯎ, ꯇꯥꯗꯒꯤ ꯂꯥꯏꯅꯥꯗꯣ ꯐꯔꯗꯧꯅꯤ॥

Aashay

- অশ! সিদগী হেন্না ফবা অতে মঙতাক্তি লৈবীদ্রবরা?
- ꯑꯁ! ꯁꯤꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯐꯕ ꯑꯇꯦ ꯃꯉꯇꯥꯛꯇꯤ ꯂꯩꯕꯤꯗ꯭ꯔꯕꯔꯥ?

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯋꯥꯔꯦꯡ ꯆꯥꯡꯗꯝꯅꯕ
হুইয়েন লানপাউ ৱারেং চাংদম্নবা

মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংগী লাইরিক-লাইশু তম্বদা চাওনা চৈথেং পীরি। মরম অসিনা ***"মহৈরোয়শিংবু এগজামিনেসন তৌদনা মথংগী ক্লাসতা প্রমোসন পীবা"*** হায়বা টোপিক অসিদা মহৈরোয়শিংনা ঈশা-ঈশাগী ৱাখল্লোন্দা য়াম্লবদা ৱাহৈ ৫০০ ইরগা 'হুইয়েন লানপাউ'গী ঈ-মেল আই দি **hueiyenwarengchangdamnba@gmail.com** অসিদা থাবীরকউ।

ৱারেং চাংদম্নবা অসিদা ক্লাস নাইনদগীনা ত্বেল্ভ ফাওবগী মহৈরোয়শিং শরুক য়াবা য়াগনি। মহৈরোয়শিংনা থাবীরকপদা ঈশা-ঈশাগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো ১, স্কুলগী মিং, ক্লাস অমদি কন্টেক্ট নম্বর লোয়নবীরকউ। মহৈরোয়শিংগী অইবা ৱাখল্লোন অদু চৎলিবা ***মে ৩১*** ফাওবগী মনুংদা থাবীরকউ। খ্বাইদগী ফজবা ৱাখল্লোন্দা ইরকপা মহৈরোয়শিংগী মনুংদগী অহুম খনগৎলগা মথংশিংনা লুপা ৫০০০, ৩০০০ অমসুং ২০০০গী শেলগী মনাশিং ফষ্ট, সেকেন্দ অমদি থর্দ তারবশিংদা পীজগনি। ৱারেং ইবীরকপা মতমদা মহৈরোয়শিংনা খুদোংচানবগীদমক মীতৈলোল (মীতৈ ময়েক), রোমান স্ক্রিপ্ট অমদি ইংলিশতা ইবীরকপসু য়াগনি।

- এদিটর, হুইয়েন লানপাউ

ꯂꯣꯟ ꯐꯪꯒꯅꯤ LOAN AVAILABLE
VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN
GOLD MORTGAGE
- No Guarantor required
- One Day Delivery
Area Coverage:
Imphal East | Imphal West | Bishnupur
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar
HL-B/6949/27/4-25/5